# থৌবালদা স্কিল দিভলপমেন্টগী মতাংদা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল সেমিনার পাঙথোকখ্রে




*ইম্ফাল, এপ্রিল ৫ ঃ*

নেসনেল কোওপরেটিব য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া (এন সি য়ু আই) ন্যু দিল্লিগী লিচিং মখাদা মণিপুর ষ্টেট কোওপরেটিব য়ুনিয়ন(এম এস সি য়ু)না শিন্দুনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা ক্ষেত্রি শঙলেনদা নোংমগী ওইবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল সেমিনয়ার 'রোল ওফ কোপরেটিব ফোর দি ইকোনোমিক এন্দ স্কিল দিভলপমেন্ট' হায়বা থিমদা পাঙথোকখ্রে।

সেমিনার অদুদা কোওপরেটিব সোসাইটি মণিপুরগী রেজিষ্টার ঐচ রুপচন্দ্র সিংহ আই এ এসনা অথোইবা মীথুংলেন, মণিপুর ষ্টেট কোওপরেটিব য়ুনিয়ন লম্ফেলপাৎ ইম্ফালগী প্রসিদেন্ট এল তোমপিশক সিংহনা থৌরম মপু অদুগা মণিপুর ষ্টেট কোওপরেটিব য়ুনিয়ন ভেল্লিগী ভাইস প্রসিদেন্ট জিনা পোৎশংবম, মণিপুর ষ্টেট কোওপরেটিব য়ুনিয়ন হিলগী ভাইস প্রসিদেন্ট জোংখোমাং হাওকিপ, মণিপুর ষ্টেট কোওপরেটিব য়ুনিয়নগী বোর্দ ওফ মেনেজমেন্টকী মেম্বরশিং শৌগ্রাকপম হেমন্তা সিংহ অমসুং এল বসন্তা শর্ম্মনা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা এল তোমপিশকনা হায়, নেসনেল কোওপরেটিব য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়ানা লমদম অসিদা লৈরিবা কোওপরেটিব সোসাইটি অসি প্রাইমরি লেভেলদগী হৌরগা ষ্টেট লেভেল ফাওবা অফবা মুভমেন্ট অমা লৈহনবা ঙম্মবা অমদি মুভমেন্ট অসি সোসাইটিগী মীপুম খুদিংদা খঙহন্নবা পাউতাক মতুং ইন্না সেমিনার অসি পাঙথোকপনি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, ষ্টেট লেভেলগী অমা অদুগা দিষ্ট্রিক্ট লেভেলগী ওইনা অনী পাঙথোকপগী মনুংদা ঙসি পাঙথোক্লিবা অসিনা অরোইবনি হায়রদুনা কোওপরেটিব চাখওৎহন্নবা হোৎনবদা সরকারগী অমদি সোসাইটিগী মায়কৈদগী পুন্না হোৎনমিনসি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

এন সি য়ু আই প্রোজেক্ট কোওর্দিনেটর কম্মিতি মণিপুরগী চেয়ারপার্সন জিনা পোৎশঙবমনা চেয়ারপার্সন ওইদুনা পাঙথোকখিবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল সেমিনয়ার অসিগী টেক্নিকেলগী শরুক্তা কোওপরেটিব সোসাইটি মণিপুরগী হান্নগী দিপ্যুতি রেজিষ্টার কে ঐচ তোম্বা সিংহ, দাইরেক্টোরেট ওফ ত্রাইবেল এফিয়ার্স এন্দ হিলস ইম্ফালগী দিপ্যুতি দাইরেক্টর এম ফৈজাও সিংহ, এন সি য়ু আই ৱুমেন এদুকেসন ফিল্ড প্রোজেক্ট ইম্ফালগী প্রোজেক্ট ওফিসার বি জয়শ্রি দেবীনা রিছোর্স পার্সনশিং ওইনা শরুক য়াদুনা কোওপরেটিব মুভমেন্টকী মতাংদা ৱাফম কয়া মীয়ামদা খঙহনখি। অদুগা এন সি য়ু আই ফিল্ড প্রোজেক্ট থৌবালগী প্রোজেক্ট ওফিসার টি ঐচ পহারি সিংহনা রেপোর্টর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা কোওপরেটিব য়ুনিটকী মীওইশিংনা সেমিনার অদুদা শরুক য়াখি। লোয়নন মখোয়না হংখিবা ৱাহংশিং রিছোর্স পার্সনশিংনা পাউখুমসু পীখি হায়রি।

# সাউথ ইষ্ট মণিপুর কলেজ কোন্নাথাবী সরকারগী মপুং ফাবা কলেজ ওইনা লাউথোক্কদবনি ঃ এন এস য়ু সি

*ইম্ফাল, এপ্রিল ৫ ঃ*

সরকারগী এদেদ কলেজ ৬ অপগ্রেট তৌদুনা মপুং ফাবা সরকারগী কলেজ ওইরগনি হায়না লাউথোকখিবা অদুদা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা কোন্নাথাবীদা লৈবা সাউথ ইষ্ট মণিপুর কলেজ নাথৈদুনা থম্লম্বদা পেন্দবা ফোঙদোক্লদুনা অথুবা মতমদা কলেজ অসি অপ গ্রেট তৌদুনা সরকারগী মপুং ফাবা কলেজ ওইনবা লাউথোক্কদবনি হায়না নাগা ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এন এস য়ু সি)না তকশিল্লি।

এন এস য়ু সিগী প্রসিদেন্ট এল দেবিদনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, ২০০৩ মার্চ ১২দা ষ্টেট সরকারগা এম ও য়ু অমা সহি তৌনদুনা তম্পাক লমগী এদেদ কেলেজ ৬কা লোয়নন সাউথ ইষ্ট মণিপুর কলেজ কোন্নাথাবীবু মপুং ফাবা সরকারগী কলেজ ওইহগনি হায়বগী থাজবা পীখিবনি। এম ও য়ু অদু সহি তৌনখিবা চহী ১৫গী মতুংদা এদেদ কলেজ ৬ অপগ্রেট তৌনবা ষ্টেট কেবিনেটনা ৱারেপ লৌখিবদা সাউথ ইষ্ট মণিপুর কলেজদি হুনে দাক্লম্লে। থৌওং অসিমক সরকারগা ইন্নখিবা এম ও য়ু অদু থৌশাদবনি অমসুং মীয়ামগী অমসুং মহৈরোইশিংগী অচুম্বা দিমান্দবু নাথৈবনি হায়না লৌই। খ্বাইদগী লিরবা অমদি দরকার ওইবা মচাক মথুম নীংথিনা লৈরবা কলেজ অসি করিগীদমক অপগ্রেট তৌবদা হুন্দোক্লম্লীবনো হায়বা ৱাফম থম্লদুনা ১৯৮১ জনুৱারি ২দা লিংখৎখিবা কলেজ অসি ১৯৯২দা পার্মিনেন্ট এফিলিয়েসন ফংখি অমসুং ১৯৯৪দা য়ু জি সিনা রিকোগনেসন পীখি।

২০১১দগী গ্রান্দ ইন এইদ ফংদুনা কলেজগী এদমিনিষ্ট্রেসনদা মতেং পাংদুনসু লাক্লি। ষ্টাফ ৯০ হেনবদা অপীকপা তলব পীদুনা মহৈরোইশিং তাকপী তম্বীদুনা লৈরি। হৌজিকসু কলেজ অসিগী মহৈরোই ৭৯০ লৈরি। কলেজ ওথোরিটিনা ৱানা হোৎনদুনা মতিক চাবা লেকচরর, অফবা মচাক মথুম অতৈ খুদোং চাবা কয়া চহী ৩০ রোম অসিদা ফংহল্লি। অদুনা সরকারনা নৌনা অমুক খন্নবিদুনা কলেজ অসিবু মপুং ফাবা সরকারগী কলেজ ওইনা লাউথোক্লবা তকশিল্লি।

# তোর্ব্বান শেমজিনখিবদা চংখিবা শেনফম হন্দোকপীদ্রে

এস এন এস

ইম্ফাল, এপ্রিল ৫ ঃ হৌখিবা চহী ২০১৭কী ঈশিং-ঈচাওনা তুরেল তোর্ব্বান কায়খিবশিং শেমজিনখিবা অদুগী পীফম থোকপা শেনফম অমত্তা পীবিদ্রে হায়না ৱাবগাই সোসিয়েল ৱেলফিয়ার ক্লব অমদি ৱাবগাই তেরা উরক মৈরা পায়বীনা ফোঙদোরক্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা এসদল্লিয়ুসিগী এডভাইজর ময়েংবম রঞ্জিৎনা ফোঙদোকখিবদা, মমাং চহীগী মে,৩১দা থোকখিবা ঈশিং-ঈচাওনা মরম ওইরগা ৱাবগাই থিঙেল লৈকাইদা সেকমাই তুরেলগী তোর্ব্বান মিটর ১০০ রোম কায়খিবা য়াওনা মফম কয়াদা অকায়-অতোয় থোকখিবশিং অদু মণিপুর লৈঙাক্কী আইএফসি দিপার্টমেন্টকী ইঞ্জিনিয়রশিং অমদি মরী লৈনবা ওফিসিয়েলশিংগী পাউতাক মতুং ইন্না মফম অদুগী ক্লব অমদি মৈরা পায়বী লূপনা পৈশা পুথোক্তুনা শেমজিনখিবনি।হায়রিবা তোর্ব্বানশিং অদু শেমজিনবদা চঙখিবা শেনফম অদু ঙসি ফাওবসু মণিপুর লৈঙাক্না নৎত্রগা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা হায়খিবা মতুং ইন্না হঞ্জিল্লকপগী ৱাফমদি লৈত্রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা সিএম য়াওনা মরী লৈনবশিংগা কয়ারক হন্না উন্নখ্রবসু ঙসি ফাওবা হায়রিবা শেনফম অসি পীথোকপীদনা লৈরিবা অসি লৈঙাক্না মীয়ামগী অৱাবা অসি য়েংবীদুনা অথুবদা পীথোকপীয়ু হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

**লমায় ১ গী মখা**

# মণিপুর লৈবাকসিগী মোদেল ষ্টেট অমা ওইহল্লসিং ঃ সি এম

মীফম অদুদা লাক্লিবা এপ্রিল ৮ দা ইম্ফালগী সিতি কনভেন্সন সেন্টরদা গো টু দি ভিলেজ মিসনগী মখাদা ইন্টরেক্তিভ সেসনগা লোয়নবা মীয়ামগী মীফম অমা পাঙথোক্লগনি।

মীফম অদুদা কেবিনেট মিনিষ্টরশিং, এদমিনিষ্ট্রেটিভ সেক্রেটরিশিং, দিসিশিং, হেদ ওফ দিপার্টমেন্টশিংঅমসুং মকোকথোংবা ওফিসিয়েল পুন্নমক্না মীফম অসিদা শরুক য়াগদবনি। লৈরিবা হেদ ওফ দিপার্টমেন্টশিংনা মখোয় মখোয়গী দিপার্টমেন্টশিংনা পায়খৎকদবা থবকশিং অদু থা অসিগী মনুংদা য়াথোক্তুনা থম্নবা খঙহনখি।

মিসন অসি লাক্লিবা মে অহানবা চয়োলদা হৌদোক্লগনি। গভর্ণমেন্ট অসিনা হৌখিবা মতমশিংদা পোপি থারম্বা লৌমীশিংগীদমক অতোপ্পা হিংনবা লম্বী অমা পীরগনি। লোয়ননা গভর্ণমেন্টনা খুঙ্গংশিংদা লৈরিবা মচিন তুমখৎলক্লিবা এন্টরপ্রেন্যুরশিংবু মশক খঙদোক্লগা পুক্লিং থৌগৎকনি হায়খি।

হৌখিবা চহি অমা অসিদা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা পায়খৎলক্লিবা খোঙথাং অমসুং এচিভমেন্ট অসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা নুংঙাইবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা থাগৎপসু ফোঙদোক্লি বনি। গভর্ণমেন্ট অসিনা পায়খৎলিবা থবকশিং অসিদা অতৈ মিনিষ্ট্রিশিংনসু থাগৎপা ফোঙদোক্লিবনি হায়খি।

ঙসিগী মীফম অদুদা কেবিনেট মিনিষ্টরশিং, চীফ সেক্রেটরি, এদমিনিষ্ট্রেটিভ সেক্রেটরিশিং, দিপ্যুটি কম্মিস্নারশিং, হেদ ওফ দিপার্টমেন্টশিং অমসুং ওফিসিয়েলশিংনা শরুক য়াখি।

# চহী ৬তা ঙাইরিবীবু ঈজ্জৎ মাঙহল্লুবগীদমক কোর্টনা ...

লৌখৎলক্লিবা কেস অসিগী মখাদা মরাল লৈরে হায়রিবা মীওই অসিগী অমদি ভিক্তিম ওইহৌরবী অঙাং অদুগী মথৌ তাবা খুদিংমক রিমসকী ফোরেন্সিক মেডিসিনদা টেষ্ট তৌনবগীদমক থাখিবনি।

কোর্ট অসিনা মরাল লৈরে হায়রিবা মীওই অসিবু মখা তাবা ওইনা জুনিসিয়েল কষ্টদিদা থিগৎনবগীদমক জেলদা নুমিৎ ১৫নিগী রিমান্দ তাখিবনি।

মখা তানা ভিক্তিম ওইহৌরিবীগী ইমুং-মনুংগী অমদি লৈকাইগী মীওইশিং কয়া হৌরক্তুনা চৈরাপ কোর্টতা মরাল লৈরবা মীওই অদু পুথোরকপা ঙাইদুনা লৈনখি। মতম অদুদা মরাল লৈরবা মীওই অদুবু কোর্ট তম্না পুরকপদা পুলিস পার্সোনেলশিংনা নীংথিজনবা ঙাক-শেনখি। কোর্ট অসিগী সেসনদা মরাল লৈরববু পুথোরকপা খোইশাওনরবশিংনা মরাল লৈরববু ফুবা-চৈবা তৌননবগী লাউ-খোংবনচিংবা কোর্ট কমপ্লেক্সতা চথরকখি। পুলিস পার্সোনেলশিংনসু পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা কোর্টকী গেটৱাংমা তম্না খোইশাওনরবশিং অদুবু তাম্বোক্তুনা থমখি। মখা তাবা ওইনা পুলিসনা মরাল লৈরবা মীওইদু জেল তম্না পুখি।

# দি এম সি আর্টসকী মহৈরোইশিংনা খোঙজং চথখ্রে

*ইম্ফাল, এপ্রিল ৫ ঃ*

দি এম কলেজ ওফ আর্টসকী শান্নবুং ফেন্সিং তৌবিয়ু হায়বা দাবিদা ঙসি কলেজ অসিগী মহৈরোইশিংনা কলেজ গেট মমাঙদা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।

পাউ অসিনা হায়, চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন সিংহ অমদি এদুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যামদা কয়ারক হন্না ৱাকৎলবসু ঙসি ফাওবা হন্না য়েংশিনবীদবদগী পেন্দবা ফোঙদোক্তুনা মহৈরোইশিং খোঙজং অসি চঙশিনবনি। কলেজ অসিগী এ ব্লোকসু মহৈরোইশিংনা থোঙ লোনশিনখি। কলেজ অসিগী ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী জেনরেল সেক্রেটরী বিকাসনা ফোঙদোকখিবদি মহৈরোইশিংনা তাল্লিবা দাবি ফংদ্রিবা ফাওবা খোঙজং চঙশিনখিগনি। থা অনীরোমগী মমাঙদা কলেজগী শান্নবুং ফেন্সিং তৌবিনবা য়াওনা অৱাৎ অপাশিং য়েংশিনবীনবা সরকারদা হায়জখিবনি। অদুবু ঙসি ফাওবা করিগুম্বা অমত্তা খঙহল্লত্তঃবদগী তঙাইফদনা খোঙজং অসি চথবনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# জি সি তোংৱাগী প্লে ফেষ্টিভেল হৌখ্রে

*ইম্ফাল, এপ্রিল ৫ ঃ*

ভারত সরকারগী কলচল মিনিষ্ট্রিনা স্পোন্সর তৌরগা ঔগ্রি থিয়েটর রেপর্টোরি ক্বাকৈথেল লাই নোংশাবা লম্বীনা শীন্দুনা ৭লক শুবা ষ্টেট লেভেল ফেষ্টিভেল ওফ জি সি তোংৱা প্লে ২০১৮ ইম্ফালগী এম দি য়ু হোলদা ঙসি নুংথিল হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা ক্রিটিক ফোরম মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ডা. আই এস কাংজমনা হায়, ঔগ্রি থিয়েটর রেপর্টোরিনা ২০১২দগী হৌনা ওজা জি সি তোংৱাগী লীলাশিংতগী ওইবা ফেষ্টিভেল অমা চথরকপা অসি শীংথানিংঙাইনি। চহী খুদিংগী মে ১দা লমদম অসিগী তোঙান-তোঙানবা লাইফমদা চৎলগা মীয়ামগা লোয়নন থিয়েটরগী মরমদা নৈনবা পাঙথোকপা অসিনা ঔগ্রি থিয়েটর রেপর্টোরিনা মণিপুর থিয়েটরদা পীবা অচৌবা খুদোল অমনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, মণিপুরগী লীলা ইবশিংগী মরক্তা ওজা তোংৱানা ইবা লীলা অসি তোপ তোপ্পা মশক অমা পুথোকপা ঙম্বা অসিনা মহাক লাইপোক্লি হায়না লৌবা য়াবনি। ওজা তোংৱানা হিংলিঙৈ মতমদা লীলা ১০০গী মথক্তা ইরম্মী। অয়াম্বা লীলাদা খুন্নাই অসিনা থেংনরিবা অমদি উহৈদবা কয়া থিন্দুনা তাক্লগা মীয়ামদা লৌশিং জ্ঞান পীনবা হোৎনরম্মী।

থৌরম অদুদা ফেষ্টিভেল ওর্গনাইজিং কম্মিতিগী চেয়ারমেন জি এ রবিচন্দ্রনা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি।

# মোবাইল ট্রাফিক লোক অদালট পাঙথোক্কদৌরি

*ইম্ফাল, এপ্রিল ৫ ঃ*

হায় কোর্ট ওফ মণিপুর লিংখৎখিবা চহী ৫ মপুং ফারকপগী থা অমা চুপ্পা পাঙথোক্লিবা থৌরমগী মনুং চন্না মোবাইল লোক অদালট অমসুং ট্রাফিক এৱেয়ারনেস প্রোগ্রাম চৎলিবা থা অসিগী ২শুবা অমসুং ৩শুবা চয়োলদা ইম্ফাল ইষ্ট অমদি ইম্ফাল ৱেষ্টকী তোঙান-তোঙানবা মফমদা পাঙথোক্কদৌরি।

ঙসি চীংমৈরোংদা লৈবা মণিপুর হায় কোর্ট কমপ্লেক্সতা পাউমীশিংগা উন্নবদা মণিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিটি (মসলসা)গী মেম্বর সেক্রেটরী আর কে মেমচানা হায়, মণিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিটিনা ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পিশিং ট্রাফিক কন্ট্রোল পুলিস ৱিং ইম্ফালগী এস পি অমসুং ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টকা খূৎশম্নদুনা মোবাইল ট্রাফিক লোক অদালট অমসুং ট্রাফিক এৱেয়ারনেস প্রোগ্রাম অসি পাঙথোক্কদৌরিবনি।

ট্রাফিক্কী নিয়ম ঙাক্তবদগী মীয়াম্না খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি। প্রোগ্রাম অসি থা অসিগী ৭কী অয়ুক পুং ১০দা ইন্টর ষ্টেট বস টর্মিনসতা, নুংথিল পুং ২দা ইম্ফাল কজেলদা অদুগা নুমিদাং পুং ৮.৩০দা ইম্ফাল নাইট প্লাজাদা নোকফদে টিমনা ট্রাফিক রুল অমসুং রিগুলেসনদা বেজ তৌবা ষ্ট্রিট প্লে উৎকনি। এপ্রিল ২১দনা অয়ুক পুং ১০দা লম্লোং কৈথেল, নুংথিল পুং ২দা কোনুং মমাঙ অমসুং নুংথিল পুং ৪দা খুয়াথোং লম্বীদা স্কিট প্লে পাঙথোক্কনি।

মীয়াম্না লম্বী চৎপগী নিয়ম, ট্রাফিক্কী সিগনেল নীংথিনা খঙনবা হোৎনবীয়ু হায়বগী ৱাফমসু মহাক্না ফোঙদোকখি। পাউমীশিংগা উন্নবা অদুদা ট্রাফিক কন্ট্রোল পুলিসকী এস পিসু শরুক য়াখি।

**লমায় ১ গী মখা**

# বিজেপিদা পংহায় হায়জিনবগী...

পাউগী মীফম অদুদা শরুক য়ারদুনা জেনরেল সেক্রেটর এন নিম্বসনা হায়, হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা বি জে পি লিংখৎখিবগী ৩৮ শুবা মপোক কুমওন থৌরম অসিদা পার্টি অসি লিংখৎপদা থৌদাং লৌরকখিবা অমসুং পার্টি অসিগী অহল ওইরবা মেম্বরশিংদা অচম্বা খুদোল পীদুনা ইকাই খুম্নবা উৎকনি হায়খি।

বি জে পি অসি ইং ১৯৮০গী এপ্রিল ৬ তা লিংখৎখিবা অদুদগী লৌরগা পালন থৌরম অসি পাঙথোকপনি। মসিগী হৌরকফম ওইরিবা ভারতিয় জন সঙ্ঘ অসিনা ইং ১৯৫১দা লিংখৎখিবনি। মসিদা মীয়াম্না চমম্নদনবা আপীল তৌখি।

# শাশিন্নবা চ্যেকনা শেল...

গভর্ণমেন্ট অসিনা মনুং মপান ফাওনা ত্রান্সপরেন্সি লৈনা থবক তৌই হায়বা তারবদি শাশিন্নবা চ্যেকনা শেল কায়খিবনা কয়ানো, অপুনবা শেনফম্না কয়ানো হায়বনচিংবা অদু মীয়ামদা মরিক চুম্না খঙহনগদবনি হায়খি।

গভর্ণমেন্ট মনুংদা মীং চৎ থিনরক্কদবা অদু কংগ্রেসনা পুথোকপদনি। নোংমৈ মাঙবগী ৱাফমদি এন আই এদা শিন্নগনি হায়না লাওথোক্লগা লুপা ক্রোর কয়া লান্না কায়থোকখিবগী স্কামদি করিগী এন আই এদা শিন্নরোইদৌরিবনো হংখি।

কংগ্রেসকী ৱাঙাংলোই সরাংথেম মনাওবী (খোইরাম্বাবা)না হায়, গভর্ণমেন্ট মনুংদা অরানবা থবক খরা তৌরে হায়বগী ৱাফম পুথোক্তুনা থিন্দুনা তাক্লুবা কংগ্রেস পার্টিবু ইমেজ্যর ওইবা পার্টিনি হায়বা অসি লাইবক থিবনি। ইমেজ্যর ওইরবসু বি জে পিগী গভর্ণমেন্ট অসিনা ৱাথোক অসিগী মতাংদা য়াম্না ত্রান্সপরেন্ট ওইনা থবক তৌদবগী মরম করিগীনো হায়না হংখি।

# ইমপ্লোইয়িশিংগী খোঙজং ঙসিদগী...

নহানমখৈ ওফিস মনুংদা চংলগা থবক শুদবগী খোঙজং চংশিলম্বা অদু হয়েংদগী হেন্না কনশিনবা মওংদা ওফিস মনুংদা চংদবা খোঙজং চংশিনবা হৌরগনি। লোয়ননা থবক শুদবগী খোঙজং চংশিল্লগনি হায়খি।

পাউগী মীফম অদুদা তেলিগ্রাফকী স্পিসিয়েল করেস্পোন্দেন্ট খেলেন থোকচোমনা লৈখিদবদা জে এ সিগী মায়কৈদগী থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতবা ফোঙদোক্লি লোয়ননা ইমুং মনুংগী অৱাবদা শরুক য়ারি হায়খি।

# মিনিষ্টরনা থাগৎলক্লি

অষ্ট্রেলিয়াদা হৌজিক চথরিবা কমনৱেল্থ গেমসতা ইন্দিয়াগী ওইনা মণিপুরগী সাইখোম মিরাবাই চনুনা ৱেথলিফটিংদা অহানবা গোল মেদল ফংখিবদা ওল ইন্দিয়া য়ুথ ফেদরেসন (এ আই ৱাই এফ) ষ্টেট কাউন্সিলনা নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি।

ষ্টেট কাউন্সিল অসিগী জেইন্ট সেক্রেটরী কে ঐচ রমানন্দ সিংহনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, কমনৱেল্থ গেমস অসিদা ৱেথলিফটিংগী নুপীগী কেজি৪৮গী কেটেগোরিদা মিরাবাই চনুনা পুন্না কে জি ১৯৪ থাঙ্গৎতুনা অনৌবা রেকোর্দ থম্বগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী অহানবা গোল্ড মেদল ফংখিবনি। তুংদা লাক্কদবা গেমসশিংদসু অনৌবা রেকোর্দ কয়া থমদুনা লৈবাক অসিগী অমসুং মণিপুরগী মিংচৎ পুরকপা ঙম্বা ওইনসু হায়না ঈশ্বরগী মফমদা থৌনিজরি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# ককচিং দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বাটর ওইহন্নবা নারোন্দা হোৎনরিবা অসি খুদক্তা লেপকদবনি ঃ কম্মিতি

*ইম্ফাল, এপ্রিল ৫ ঃ*

লৈঙাক্না মীয়ামগী অপাম্বগী মায়োক্তা ককচিংদা দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বাটরগীদমক নারোন্দা শেমগৎ শাগৎনবা থৌরাং তৌরিবা অসি খুদক্তা লেপক্দবনি হায়না ককচিং দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বাটর দিমান্দ কম্মিতিগী কনভেনর ময়াংলম্বম সুরজকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

হিরম অসিগা মরী লৈননা ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা কম্মিতি অসিগী কনভেনর এম সুরজকুমারনা হায়, হৌখিবা চহী ২০১৬গী দিসেম্বর ৮দা এদমিনিষ্ট্রেটিব কনভিনেন্সগীদমক মতম অদুগী লৈঙাক কংগ্রেসনা অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট ৭ লাউথোকপদা ককচিংসু য়াওখি। অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মফম চাবা দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বাটর ৱাইখোঙ থোঙজাওদা থম্নবগী চরাংনবা কয়া লৈখি। অদুবু লাইবক ফবদি ইং ২০১৭গী জুন ২৭তা মণিপুর এসেমব্লীদা রেভিন্যু মিনিষ্টরনা মীয়ামগী খুদোংচাবা মফমদা থমগনি হায়না থাজবা পীরকখি অমদি অনৌবা লৈঙাক অসিগী পুন্না চাওখৎমিন্নবা হায়বা ৱাখল্লোলদা থাজবা থমদুনা লাকখিবনি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, ককচিং দিষ্ট্রিক্টদা কেন্দ্র ৪ লৈবগী মনুংদা কেন্দ্র অহুমগী শরুক ওইরিবা ৱাইখোঙ থোংজাও অসি হেদ ক্বাটর ওইবগী খ্বাইদগী মফম চারবা মীয়াম্মসু য়ারবা মফম অমনি। হন্দক চহীগী ফেব্রুৱারি থাদা পাঙথোকখিবা বজেট সেসনদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী হেদ ক্বাটরগী মতাংদা অশেংবা অমা লাউথোকপীরক্কদ্রা হায়না থাজরুবদু লাউথোকপীদবনা ফেব্রুৱারি ২৫দগী ককচিং চঙদবা হায়না খোঙজং য়াওনা ৱাবগাই লমখাইদা অকনবা প্রোটেষ্টশিং তৌদুনা মীওই ১৮ অশোক অপন নংখি। মথংগী নুমিৎতা ৱাবগাইগী এম এল এ য়াওনা চীফ মিনিষ্টরগা উন্নখিবদা মহৈরোইশিংগী এক্সজাম অমদি য়াওশঙগা মরী লৈননা খোঙজং অসি হনে দাকখিবনি। অদুবু হৌজিক এক্সজাম লোইখ্রবসু লৈঙাক অসিনা তুম্লিনা লৈশিনখিবগা লোয়ননা নারোন্দা হেদ ক্বাটর শানবা পি দব্লীয়ু দি য়াওনা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা হোৎনরিবা অসি খুদক্তা লেপকদবনি নৎত্রবদি অকনবা খোঙজং কয়া চঙশিল্লগনি হায়না ফোঙদোকখি।

# খোঙজোম ৱার মেমোরিয়েল গেটতা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে



*থৌবাল, এপ্রিল ৫ ঃ*

খোঙজোম পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা চেক্লোন অনীদা ঙরাং শকখঙদবশিংনা বোম থমজিল্লমদুনা অকি অখঙ পোকহনখিবা থৌওংবু পেন্দবা ফোঙদোক্তুনা ঙসি শীন্মীশিংনা খোঙজোম ৱার মেমোরিয়েল গেটতা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবী শিন্মী অমনা ফোঙদোকখিবদি লৈতা লাইরদগী থবক শুজরিবা মফমদা বোম থমজিন্দুনা অকি অখঙ পোকহনবসি পেন্দে। থবক অদু কনানা করিগীদমক তৌবনো হায়বদু অথুবদা শেংদোকপীয়ু। চেকোন মপুদা অৱাবা পীবা হায়বা অসি শীন্মীশিংদসু অৱাবা পীবনি।

ৱাকৎ মীফম অদুদা মীয়ামদা অকি অখঙ পীবিগনু, বোমগী ধমকা লেপ্পিয়ু, ঐখোয় শান্তি পাম্মী, বোমনা ৱারোইশিন পুরকপা য়ারোই, চেক্লোন্দা বোম থম্লম্বা য়ানিংদে হায়না থাবা প্লে কার্দ কয়া শীজিন্নখি।

পনবা য়াই, ঙরাং অয়ুক সাপম মমাঙ লৈকাইদগী সাপম আরবিন্দ্রো সিংহ (৪০)গী খেবচীংদা লৈবা আরবিন্দ্রো ব্রিক ফিল্ড অমদি অথোকপম মখা লৈকাই থৌবালদগী য়ুম্নাম চাওবা সিংহগী ফুন্দ্রে আই বি আরদা লৈবা ৱাই এম সি ব্রিক ফিল্ডদা মশক খঙদবশিংনা হেন্দ গ্রেনেদ অমমম চে অঙৌবদা য়োমদুনা থম্লম্বনি। চে অদুদা ইমা লৈবাক্কীসু খনবীয়ু, তুংগী মীরোলগীদমকসু খনবীয়ু, মতেং পাংবীয়ু, ইকায় খুম্নবীয়ু, মশিনা অরোইবা ৱার্নিংনি, অফ-ফত্তা খুদিংমক নশানা দাইত্ব পুজগদবনি হায়না ইরগা থম্লম্মী হায়রি।

# মহৈরোই অমদি থবক ফংদবগী মতাংদা খন্ন-নৈনরগনি ঃ পি বঙ্কিমচন্দ্র

*ইম্ফাল, এপ্রিল ৫ ঃ*

রাজস্থানগী রাইপুরদা থা অসিগী ৯দগী ১০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা এন এস য়ু আইগী 'ইনক্লাব' হায়না মিংথোনবা নেসনেল কনভেন্সন্দ মহৈরোই অমদি থবক ফঙদবদগী মায়োক্লরিবা খুদোংচাদবশিং পুখৎতুনা খন্নরগনি হায়না মণিপুর ষ্টেট এন এস য়ু আইগী প্রসিদেন্ট পি বঙ্কিমচন্দ্রনা ফোঙদোকখ্রে।

বি টি রোদতা লৈবা কংগ্রেস ভাবনদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা মহাক্না মখা তানা হায়, লৈবাক অসিগী ওইবা কনভেন্সন অসিদা মণিপুর ষ্টেটকী ওইনা য়ুনিয়ন অসিগী একজিক্যুটিব মেম্বর অমদি মহৈরোইশিং পুন্না মীওই ১২না শরুক য়ারুগনি। কনভেন্সন অসিদা লৈবাক অসিগী মরু ওইবা ইশুশিং হায়বদি ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়নগী পোল তৌবা য়াদনা লৈরিবা কলেজ অমসুং য়ুনিভর্সিটিগী মায়োক্তা রিফোর্মেসন অমা লাক্নবা হোৎনবা, অনইমপ্লোইমেন্টগী প্রোব্লেম, অনইমপ্লোইমেন্টশিংদা এল্লাৱেন্স পীবা, ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ইলেক্সনগী এক্সপেন্দিচর, ষ্টুদেন্টস রাইট এক্ট, ষ্টুদেন্টস রাইট কম্মিসন, এম পি অমসুং এম এল এগী মীখল থেংনবা য়ানবগী চহী হন্থহনবনচিংবা ইশু কয়া অসিদা খন্নগনি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, লৈবাক অসিগী ওইনা থবক ফংদবগী অৱাবা অসি চাওনা মায়োক্লরি। মসিনা ষ্টেট খুদিংত্তঃসু চাওনা শাফু অমা পীরি। মমাঙদা পাল্লম্বা য়ু পি এ সরকারগী মতমদগী হৌজিক পাল্লিবা বি জে পি সরকার অসিগা য়েংনরুবদা থবক ফংদবগী অৱাবা অসি বি জে পি সরকারনা হেল্লি। সরকার অসিনা থবক পীগনি হায়দুনা মেক ইন ইন্দিয়া, স্কিল দিভলপমেন্ট, ষ্টার্ট অপ ইন্দিয়ানচিংবা স্কিম কয়া পায়খৎলবসু লৈবাক অসিগী ইমপ্লোইমেন্ট সর্ভেগী মতুং ইন্না থবক ফংদবগী চাং অসি হেনগৎলক্লি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।



সি এম দি, আর ই সিগী পি ভি রামেস আই এ এসকা চীফ মিনিষ্টরগা উন্নখিবা



য়ুরোপিয়ান মণিপুরী এসোসিয়েসনগী মীহুৎশিংগা চীফ মিনিষ্টরগা ঙরাং উন্নখিবা